‘লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদুনা শিন্নী কল্লু’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদুনা শিন্নীশিং কল্লু হায়না ইন্দিয়ন নেসনল ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস মণিপুর ব্রাঞ্চকী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই রনা প্রতাপনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চাউখৎপা লৈঙাক্কী ঈকায় খুম্নবা অমদি শেলথুমগী ফীভম ফগৎপা হায়বসি শিন্নীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা শিন্নী কয়া ভিক্টিম ওইহনবা য়াওরকপা লাইবক থীবনি। কঞ্জুমর এফ্যেরস ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন লেবর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মেম্বরশিংবু থবক শুবা য়ারোই হায়না মথাই ইন্টরপ্রাইজেসননা চথরিবা পুকচাক থদৎপা অসি ইন্দিয়ন নেসনল ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস মণিপুর ব্রাঞ্চনা য়ানিংদে। লৈঙাক্লা পুন্নমক্কী মপীমপানি। শিন্নী ওইনা ইমুং-মনুংগী পুরিবা মীওইবগী পুন্সিবু থম্লিংবা মওংদা থম্বা, লৌথোক্লিংবা মওংদা লৌথোকপা খোঙথাং অসি য়ানিংদে। অথুবদা এজেন্সী অসিগা লৈঙাক অমসুং এসোসিএসনগী থৌমীশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরক্কবা হোৎনবীয়ু। শিন্নী কাঙলুপ অসিনা লৈবাক অসিগী লৈঙাক অসিগী মরী লৈনবশিংদা হায়দনা কনাদা হায়রুগনি। অঙাং থাকপা অমদি ময়ুম পুরবা শিন্নীশিংনি। মখোয়বু খুন্দালৈতাহন্দুনা হিংহনবা হায়বসি লৈঙাক অসিগী থৌদাংগী শরুক অমনি। অথুবদা ৱারোইশিন পুবীরকউ হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

‘খৃষ্টমাস মমাঙদা তোলোপ পীথোকপীয়ু’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): খৃষ্টমাস মমাঙদা তোলোপ পীথোকপীয়ু হায়না মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয় য়ুনিয়নগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে ঐচ খোগামনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরাল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ ওইরিবা খৃষ্টমাসকীদমক লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা এম এস পি দি সী এল অমদি এম এস পি সী এলগী শিন্নীশিংগী দিসেম্বর থাগী তোলোপ পীথোকপীয়ু। কুম্মৈ অসি নুংঙাইনা পাঙথোকপা ঙম্নবা নুমীৎ অসিগী মমাঙদা পীথোকপীনবা হোৎনবীয়ু। মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা মৈতৈশিংগী নিংঙোল চাক্কৌবদসু মতম চানা পীথোকপীদবনা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমহনখিদে। হন্দকসু অদুগুম্বা থৌওং অদু থোক্তনবা হোৎনবীয়ু। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ইরৈচাশিংদা ঈং-তপ্পা, নুংঙাই-য়াইফবা পীনবীবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লাইরিক ফোঙগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল) না শীন্দুনা থা অসিগী ২২দা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী ওদিটোরিয়মদা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না লৈকোলগী সেক্রেটরি ডা. ৱাহেংবম কুমারী চনুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফোঙগদৌরিবা লাইরিক অনী অদুদি, মুতুম রমনিনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক *লৈচিলগী ইনফি* অমদি নেপ্রম ময়ানা ইবা ৱারীমচাগী লাইরিক *মুশিল্লক্লিবা লৈই* হায়বা অসিনি। থৌরম অসিদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর আই এস কাংজমনা অথোইবা লেংবীরকপা, লৈকোলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনিনা থৌরম মপু ওইগনি। প্রোফেসর নহাকপম অরুনা অমদি ডা. কোইজম শান্তিবালানা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

সিন্টেক্স য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিং অমদি কঞ্জার্ভেসন স্কিমগী মখাদা এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননা থা অসিগী ১৬ তা নেহরু মেমোরিয়ল ক্লব, তোপ অৱাং লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা তোপ দুসারা গ্রাম পঞ্চায়ট ৱার্দ নম্বর ৭ কী বিনিফিসরি ২০ দা স্কিম অসিগী মখাদা সিন্টেক্স য়েন্থোকপগী থৌরম অমা এন এম সী অমদি তোপ দুসারা চাউখৎ খোঙথাং লূপনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে হায়না এন এম সীগী দিলিপনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম অদুদা এম পি, ডা. আর কে রঞ্জন, এন এম সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট তেনশুবম সনাজাওবা, টি দি জি পিগী প্রধান এম সুরবালা, পোং লম্বীদা লৈবা লময়ানবা ইপু অমদি টি দি সী কে এলগী প্রসিদেন্ট টি অঙৌসু শরুক য়াখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

সেমিনার কম ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): এন ঈ সী শিল্লোং, য়ু জি সী, টুরিজম দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী স্পোন্সরশিপ মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনমিক্স, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি মোনিৱা য়ুনিভর্সিটি ওফ ইকনমিক্স ম্যান্মারনা শীন্দুনা বিল্ডিং ইকনমিক কোরিদোর ওন দি ত্রাই লেটরেল হায়ৱে হায়বা হীরমদা নুমীৎ নীনি চথুগদবা ইন্টরনেসনল সেমিনার কম ৱার্কশোপ ঙসি এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওফিস কম্মিটি রুমদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম য়ুগী প্রোফেসর সী ঐচ প্রিয়োরঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টনা তৌরিবা সেমিনার কম ৱার্কশোপ ত্রাই লেটরেল হায়ৱেদা করম্না ইকনমিক কোরিদোর ওন্থোকপা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নবনি। মোনিৱা য়ুনিভর্সিটি ওফ ইকনমিক্সনা কো-ওর্গনাইজ তৌবনি। রেনগুন য়ুনিভর্সিটিদগীসু দেলিগেট য়াওরি। এক্ট ইষ্ট পোলিসীনচিংবগী মতাংদসু খন্ন-নৈনগনি। ইনভেষ্টমেন্টনচিংবা কয়া লল্লোন-ইতিক্তা লাকপা অমদি এগ্রিকলচরদা বেজ তৌবা পোথোক কয়া ট্রেদিং করম্না তৌগদগে হায়বা হীরমদসু খন্ন-নৈনবনি। চাথোক, পোৎথোক্তা য়ুম্ফম ওইরগা লল্লোন-ইতিক তৌনবা শীনবনি। মোনিৱা য়ুনিভর্সিটিগা এম ও য়ু অমসু খুৎয়েক পীনগনি। একাদেমীক এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম অমসুং জোইন্ট রিছার্স প্রোগ্রামদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চঙশিন্নবনি। সেমিনার অসিগী মরুওইবা পান্দমদি বোর্দর ট্রেদ অমসুং একাদেমীক ষ্টদি তৌনবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

সেমিনার অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর কে এস ঐচ ঝলজিৎ, মোনিৱা য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর নি নি ওংনা এম ও য়ু খুৎয়েক পীনবদা শরুক য়াখি হায়রি।

পোৎলম অমত্তা লৈরমদ্রে : মঙ্গি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): থাঙ্গা চীংখাদগী হৌজিক্লা লাঙ্গোলদা লৈবা ওইনাম মঙ্গিগী য়ুমদা কুমজা ২০১৮ দা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা লৈকায়দগী তান্থোরকখিবগী থৌওং য়ানিংদবা উৎতুনা কোর্টতা ৱাকৎলবা মতুং য়ুমদা লৈনবা খঙহল্লকপদগী য়ুমদা চঙলুবদা ফমুং, কাংথোল য়াওনা ইমুং-মনুংগী পোৎলম অমত্তা লৈরমদ্রে হায়না ওইনাম মঙ্গিনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে। মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মঙ্গিনা হায়খি, লাইবক থীবা থৌদোক অদুগী মতুংদা কোর্টতা ৱাকৎপদগী চহী অসিগী নবেম্বর ১৮ দা য়ুমদা লৈহনগদবনি হায়না রাই তবীখি। য়ুম অদুদা চঙলুবদা পোৎলম অমত্তা লৈরমদ্রে হায়খি।

লমশাং নগর পঞ্চায়ট মহুদ অমদি লৈঙাক্লা মওং-মরিল তাহন্দ্রে : এল বি সী সী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): লমশাং নগর পঞ্চায়ট অসি মহুদ অমদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মওং-মরিল তাহন্দ্রে হায়না লমশাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লমশাং নগর পঞ্চায়টকী চ্যেরপর্সন অমদি ভাইস চ্যেরপর্সন খন্নবগী মতাংদা এস দি ও লমশাংনা নোটিফিকেসন থোকখি। ওর্দর অদুগী মতুংইন্না থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ১ দগী ৩ ফাওবগী মনুংদা নোমিনেসন অমদি স্ক্রুটিনি এস দি ও লমশাংগী ওফিস কাদা মরী লৈনবা কাউন্সীল্লরশিংনা মতম চানা চৎতুনা তৌফম থোকপশিং তৌখি। নোমিনেসন স্ক্রুটিনি পাঙথোকপা মতমদা অতোপ্পা কাউন্সীল্লর অমত্তা ফাইল তৌখিদে। স্ক্রুটিনিদসু লাকখিদ্রে। কোংগ্রেস পার্টিগী কাউন্সীল্লর অনী অসি লম্বা য়াওদনা মায় পাকপগী ফীভমদা লৈরে। মখা তাবা এস দি ওগী ওর্দরদা ঙরাং নুংথিল এস দি ও লমশাংনা ইলেক্সনগীদমক কৌশিল্লবা মতুংদা এস দি ওনা ইলেক্সন পাঙথোক্লরোই, মহুদ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী সস্পেন্সন ওর্দর লাক্লে হায়না ইলেক্সন পাঙথোক্তে। চে ওইনা পীরগা থাদোরকপা অসি অঙকপা পোকই। লৈঙাক্কী মওং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। কোংগ্রেস কাউন্সীল্লরশিংগী মায়কৈদগী থৌওং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

নোমিনেসন ফাইল তৌবা অমদি স্ক্রুটিনি লোইদুনা চ্যেরপর্সন অমসুং ভাইস চ্যেরপর্সন খনবগী চে পীগদবা মীকুপ খরদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তৌনিংবদা তৌবা, মশানা থোকচবা ওর্দরবু অমুক মহুদ দিপার্টমেন্টকী চে অমা লাকই হায়দুনা রিজল্ট লাউথোক্লমদাইদা ককথৎপসি য়ানিংদে। লৈঙাক অসিনা তৌগে হায়বগী মতৌ উৎপা থৌওংনি। লমশাং নগর পঞ্চায়টকী মেজোরিটি ওইরিবা কোংগ্রেসকী কাউন্সীল্লরশিংবু ঈকায়বা পীবনি অমদি রাইট মৎপনি। মহুদ দিপার্টমেন্টকী থৌওং অসি য়াম্না মরম চাদবা থবক অমনি হায়রি।

সিনাইয়োক ওল্ড এজ নিংথম খুদোল তম্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): সিনাইয়োক ওল্ড এজ নিংথম খুদোল তম্বগী থৌরম ঙসি কৈশামথোং অহৈবম লৈরক্তা পাঙথোকখ্রে।

সোসল ৱার্কর মহেশ্বর থৌনাওজমনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কৈশামথোং এ সীগী মনুংদগী অহল ওইরবা মীওই কয়াদা সিনাইয়োক ওল্ড এজ নিংথম খুদোল তমদুনা ঈকায় খুম্নখি। কম্বল অমদি শেল নিংথম খুদোল ওইনা তমখিবা থৌরম অদুদা কৈশামথোং এ সীগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী অহল ওইরবী কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা সোসল ৱার্কর মহেশ্বর থৌনাওজমনা ফোঙদোকখিবদা, সিনাইয়োক ওল্ড এজ নিংথম খুদোল হায়না হন্দক্তগী পীবা হৌবনি। লাক্কদৌরিবা চহীশিংদসু পীনবা পান্দম থল্লি। অহল ওইরবশিংবু ঙমজবা খুদোল তম্বা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। অহল ওইরবশিংগীদমক ঐখোয়না খনবীবা অমদি মখোয়দগী ৱাখল লৌশিং কয়া থৌজাল ওইনা লৌবা চঙই। অহল মতম হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। অহল-লমনশিংগী থৌজাল মতুংইন্না থবক তৌবা তাই। ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱাথোকশিং নমশিন্দুনা চৎখিবনা চাউখৎ মায়কৈ থিন্তবগী মরম ওইহল্লি : নরেন্দ্র

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): লমদমসিদা ৱাথোক কয়া লোইশিন্দনা নমশিল্লগা চৎখিবনা চাউখৎ মায়কৈদা থিন্তনবগী মরম ওইহল্লি হায়না আই সী এ আর মণিপুর সেন্টরগী জোইন্ট দিরেক্টর নরেন্দ্র প্রকাসনা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মণিপুর ওর্গানিক মিসন এজেন্সীনা স্পোন্সর তৌরগা দি এস এস এসনা শীন্দুনা ওর্গানিক এৱেয়রনেসকী পোষ্টর কেম্প্যেন লোঞ্চ তৌবগী থৌরম মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা দি এস এস এস কেম্পতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা নরেন্দ্র প্রকাসনা হায়খি, মোমা অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা থবক লৌখৎলবদি ওর্গানিক ষ্টেট ওইবা ঙমগনি। মপান্দগী পুশিল্লকপা ফ্রটিলাইজর য়াওবা মরু-মরাং য়েংশিনবগী থবক লৌখৎত্রবদি ওর্গানিক্কী পোথোক পুথোকপা ঙল্লোই। লমদম অসিগী লৌমীশিংদা য়েন্থোক্লিবা মরু-মরাংশিং ওর্গানিক ওইবা মরু-মরাং খক্তমক য়েন্থোকহন্নিংই। আই সী এ আর রিছার্স সেন্টরদা টেক্নিকেল সপোর্টকা লোয়ননা অঙম্বা মতেং পাংগনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা অৱাং নোংপোক্কী সিক্কিমনা ওর্গানিক ষ্টেট ওইরে হায়না লাউথোকখি। ওর্গানিক্কী পোথোক পুথোক্লবসু য়োনফম লৈত্রবদি অৱাবা ওইগনি। মার্কেটিং শেমগৎপা মথৌ তাই। মণিপুরদা চাদা ৯০ দি চীংগী লমনি। চীংগী লমশিং অসি ফ্রটিলাইজর শীজিন্নবগী চাং নেম্মী। তম্পাক্কী লমদা ফ্রটিলাইজরগী শীজিন্নবা চাং ৱাংই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মোমাগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর কে দেবদত্ত, আই সী এ আরগী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. সুব্রানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিলকচর এন্দ ফার্মর ৱেলফ্যেরগী এদভাইজর সঞ্জয়কুমারসু স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা লৌমী কয়াসু শরুক য়াখি। লৌউ-শিংউগী লমদা খঙ-হৈরবা মীওই কয়ানা রিছোর্স পর্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। ওর্গানিক ফার্মিংগী মরুওইবা অমদি পোথোক মরাং কায়না পুথোক্লবগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লখি।

এফ সী আইগী শিন্নীশিং থবক শুবা চঙহল্লক্তবগী খোঙজং চথদুনা ওভর ব্রিজ মথক্তা চেন পুন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): সী এ এফ এন্দ পি দিগী শিন্নীশিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মনুংচন্না ওভর ব্রিজ মথক্তা চেন পুন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা শিন্নী তরেৎ সিটি পুলিসনা লৌখৎলগা পুখ্রে।

শিন্নীশিংনা ওভর ব্রিজদা চেন পুন্দুনা ছো লোনশিন্দুনা চঙশিনবা খোঙজং অদুগী মতাংদা সী এ এফ এন্দ পি দি লেবরর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মেম্বর খাঙেম্বম বসন্তনা ফোঙদোকখিবদা, চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি শিদ্রিবফাওবা চরাহেনবগী খোঙজংনি। এফ সী আই গোদাউনদা থা অসিগী ৩ ফাওবা থবক শুহল্লম্মী। মথংগী নুমীৎতা থবক শুবা লাকপদা চঙহনখিদে। শিন্নী অতোপ্পা খরা পুশিল্লগা থবক শুহনখি। মদুদা য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিল্লকপনি। ঙসি চেন পুন্দুনা ছো লোল্লিবসি ঐখোয় চরম মেৎলে হায়বগী ৱাহন্থোক অদুদা চঙজবনি। এন আর মথাই ইন্টরপ্রাইজেস লাকপদগী ঐখোয় থবক শুবা ফংহন্দবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বি টি রোদ ফ্লাই ওভরদা এফ সী আইগী শিন্নী কয়ানা চেন থুরগা ছো লোনশিন্দুনা প্রোটেষ্ট চথুদুনা লৈখি। তাঞ্জা অদুদা পুলিসকী টিম লাক্লুনা লোনশিল্লিবা ছোশিং অদু ফক্কায়দুনা শিন্নীশিং অদু মফমদুদগী পুখৎখি। এফ সী আইগী সঙাইপ্রৌদা লৈরিবা গোদাউনদা থবক শুরিবা শিন্নী কয়াবু থবক শুবা থিংখিবা অমদি অনৌবা শিন্নী কয়া অমবু থবক শুহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

ষ্টেট লেভেল গান-ঙাই সিলেব্রেসন ২০২০ সী এমনা হৌদোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ষ্টেট লেভেল কবুই গান-ঙাই সিলেব্রেসন ২০২০ চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হৌদোক্লগনি হায়না মণিপুর কবুই য়ুনিয়ন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ৮ অসি লৈহৌমী ওইরিবা কবুই ফুরুপকী চহী অমগী মনুংদা পাঙথোক্কদবা খ্বাইদগী চাউবা গান-ঙাই অমনি। কবুইশিংনা ষ্টেট লেভেলগী থাক্তা পাঙথোকপা ঙমদনা লাক্লি। কুমজা ২০২০ দগীদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা য়েলহৌমীশিংবু কন্নিংবা অমদি য়োকখৎনিংবগী ৱাখল্লোন্দা মশানা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হৌদোক্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে। মসিদা গান-ঙাই পাঙথোক্লিবা কবুই মীয়াম্না ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

লাইগা মীগা শম্নরিঙৈ মৈহৌরোলদগী গান-ঙাই কুম্মৈ অসি লেপ্পা লৈতনা ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তনা লাক্লি। গান-ঙাইগী ৱাহন্থোক অসি কনাগুম্বনা তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক পীনরি। অচুম্বা ৱাহন্থোক্তি গানমৈ অঙালবা, ঙাইমৈ কুম্মৈ মৈ, মৈ অনী অসি লৌথোক্লগা গান-ঙাই হায়না কৌখিবনি। মসিগী মরমদি গান-ঙাই কুম্মৈ হেক হৌবা নুমীৎতা পাখং ফানদগী খুলগী মশা ফরবা পাখংশিংনা মৈবা চিংবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা মৈ পুথোক্লগা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকই। য়ুমথোঙ খুদিং চঙদুনা মৈরা চিংলগা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা চৎলি। নুংঙাই-য়াইফনা পান্নবা, অনা-অয়েক লৈতনবা, পুন্সি-নুংশাংনা লৈনবা, ঈং-তপ্পা, লান য়াওদবা লমদম ওইনবা য়ুমথোঙ খুদিং থৌজাল পীদুনা নুংঙাই-য়াইফনা পান্নবা পাউজেল পুদুনা চৎলি। গান-ঙাই কুম্মৈগী অরোইবা নুমীৎতা খুলগী মীয়ামগী থৱায় মমি কৌশিন্দুনা য়েনবা লাবনা পাঙথোকই। য়েনবা লাবা অদু মৈবা চিংবগী মৈশেং লৌরগা থোংই। ইমুং খুদিংমক্তা মচেৎ-মচেৎ য়েল্লি। মী খুদিংমক অঙাংদগী অহল ফাওবা থৱায় মমি কৌবগীনি হায়দুনা চামিন্নৈ। গান-ঙাই কুম্মৈ হৌবদগী লোইবা ফাওবা মৈবা চিংদুনা মৈশেং লৌরগা পাঙথোকপা কুম্মৈনি। মৈ পুথোক্তুনা হরাও-তরাম্না পাঙথোকপা কুম্মৈ অসিনা ফুরুপ খুদিংমক নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবগী পাউজেল পীরি হায়রি।

লুংনিলা ইলিজাবেঠ পেদিয়াট্রিক ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট হাংদোকখ্রে, ফমুং নম্বর ১দা লায়েংবশিং ফ্রী ওইরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস) : সগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মচিন্দা লৈবা মাদর ক্যের চিলদ্রেন হোস্পিটালদা লুংনিলা ইলিজাবেট পেদিয়াট্রিক ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট হাংদোকখ্রে।

ফমুং ১২ লৈবা পি আই সী য়ু হাংদোকপগী থৌরম অদুদা এক্স-এম এল এ ফ্রান্সিস ঙাজোকপানা হায়খি, লুংনিলা ইলিজাবেঠকী মীংদা ডা. রতননা অসিগুম্বা য়ুনিট অমা হাংদোকপসি অঙকপা ফাওই। ইচানুপীগী হিষ্ট্রি লৈতে, লাইবক থীবা থৌদোক অমদা লৈখিদবনি। মপা অমা ওইনা থম্মোয় শোক্লিবনি। ঙসি লুংনিলা ইলিজাবেঠকী মিংদা পেদিয়াট্রিক ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট হাংদোরকপা অসি য়াম্না ফবা অমনি। নুংঙাইবসু ফাওই, অঙকপা অমসু ওই। ইচানুপীগী মিংদা হাংলিবা অসিদা মশক খঙদবা অঙাং কয়া লায়েংবা লাক্লগনি খনবদা মহৈ য়াল্লে খল্লি। অনাবা লায়েংবা লাক্লিবশিং মশক খঙদ্রবসু অনাবা খুদিংমক ফরগা চৎপা ওইরসনু। লুংনিলা ইলিজাবেঠকী থৱায়না লায়েংবা লাক্লিবা খুদিংমক হিংহনবীবা ওইসনু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মাদর ক্যের চিলদ্রেন হোস্পিটালগী চ্যেরমেন কম মেনেজিং দিরেক্টর ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ফমুং ১২ থাবা লুংনিলা ইলিজাবেঠ পেদিয়াট্রিক ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট অসিদা অহানবা ফমুং অসি লুংনিলা ইলিজাবেঠকী স্পেসল ওইনা থম্বনি। মসিদা লায়েংলিবা অঙাং অদু ফ্রী ওইগনি। ফমুং অসিদা লায়েংবা খুদিংমক ফ্রীনি। অচৌ-অশাং, ইনাক খুনবা হায়না খায়বা লৈতে। অহানবা ফমুং অসি হাংদুনা লৈরগদি মসিদা থমগনি। ফ্রীদা লায়েংগনি, অনাবা হায়বসি ফমুং ১২মক হাংদনা লৈবা মতম লাক্কনি। অনাবা অমনা নুমীৎ হুম্নী মরিনি লৈরবদি ওক্সিজেন ভেন্টিলেটরনচিংবা কয়া শীজিন্নরকপদা নোংমদা লুপা লিশিং ৪ দি চঙগনি। অহানবা ফমুং হাংলবদি মসিদা থমগনি। অঙাংদু লায়েংবা ফ্রী ওইগনি। লুংনিলা ইলিজাবেঠতা কথোকপা ওইনা অহানবা ফমুং অসি লেম্না লায়েংনবা খুদোংচাবা পীবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কৈশামথোং এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি লম্বী-থোংদা নত্তনা হীরম কয়াদা শোখরবা এ সী অমা ওইরে : আর কে শিবচন্দ্র

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): কৈশামথোং এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসি লম্বী-থোংদা নত্তনা হীরম কয়াদা শোখবা এ সী অমা ওইরে হায়না কৈশামথোংদা কেন্দিদেট ওইখিবা আর কে শিবচন্দ্রনা ঙসি বিনিফিসরি কয়াদা হেল্ঠ কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা মশাগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা আর কে শিবচন্দ্রনা হায়খি, কৈশামথোং এ সীগী মনুংদা হৌজিক লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী খুদোংচাবা ফংদ্রিবা মীওই মশিং য়াম্না লৈরি। হেল্ঠ কার্দ অমদি তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কার্দ ফংদবা মীওই কয়া এ সী অসিদা লৈরিবনি। লৈঙাক্কী ফংফম থোকপা খুদোংচাবা কয়া ফংবা য়ারবা মীওইশিং হৌজিক ফাওবা ফংদনা লৈরি। অসিগুম্বা কয়া অসি য়েংলগা মীৎয়েং চঙদুনা ঙসি হেল্ঠ কার্দ অমদি অতৈ স্কিম কয়াগী কার্দশিং য়েন্থোকপনি। মখা তানা হেল্ঠ কার্দ য়েন্থোকখিগনি। হৌজিক কার্দ ৬০০ রোম শেমশাবা লোইশিল্লক্লে। সী এম ঐচ টিগী মখাদা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংফম থোকপা বিনিফিসরি কয়া এ সী অসিদা লৈরিবনি। অসিগুম্বা ফংফম থোকপা মীওইশিং অসিদা ফংহনবা য়াম্না মরুওই। উজ্জ্বালা স্কিমগী মখাদা গ্যাসকী কন্নেক্সন ফংবা য়াবা মীওই কয়া অমসু লৈরিবনি। অদুবু বিনিফিসরি কয়া অমদা গ্যাস কন্নেক্সন ফংহনবা লৈখ্রে। কৈশামথোং এ সী অসি লম্বী-থোংগী ফীভমসু য়াম্না ফৎত্রে। লম্বী-থোং খক্তা নত্তনা হীরম কয়াদা শোখরবা লাইবক থীবা এ সী অমগী মওংদা লৈরে। মসিদা নীংথিনা য়েংশিনবা তঙাইফদে।

লৈঙাক্কী মখাদা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎলক্লি। স্কিমশিং অসিগী মরমদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবগা লোয়ননা ফংফম থোকপশিংসু মতম চানা ফংহনবা য়াম্না মরুওই। স্কিমশিং পায়খৎলক্লিবা অসি মীয়ামগী য়াইফনবনি। অদুবু কৈশামথোং এ সীদা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংদবা মীওই কয়া অমা লৈরি। স্কিমশিংগী মরমদা খঙহনবগা লোয়ননা ফংহন্নবা মীৎয়েং চঙলকপনি। খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা কার্দশিং য়েন্থোকপনি। নুপীশিংদা পাৱর পীসি হায়রবদি নুপীশিংগী ফংফম থোকপা কয়া অসি মতম চানা ফংহনবা তঙাইফদে। চাউখৎপা খুন্নাই অমা পুরকপদা থোং মান্ননা হিংমিন্নবা অমদি চাউখৎমিন্নবা চঙই। ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা থবক থৌরাং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। মীয়ামগীদমক মখা তানা থবক থৌদা কয়া পায়খৎখিগনি। স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংফম থোকপা মীপুম খুদিংমক ফংহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট হন্দোকপনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অচুম্বা ফিরেপ ওইগনি : আর পি আই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট হন্দোকপনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অচুম্বা ফিরেপ ওইগনি হায়না রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এ) অম্বেদকর মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সাপম শামুঙৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীয়ামগী খোল্লাওদি তাইবং শেম্বা মপুগী খোল্লাওনি। মীয়ামগী খোল্লাও তাদ্রবদি নোর্থ ইষ্টতা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহনবা ঙল্লোই। সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসামগী ইচিল-ইনাওশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা ইচিল-ইনাও মঙা হাৎখিবা অমদি অশোক-অপন নংহনখিবা কয়া অসি লাইবক থীবনি। সী এ এগী মায়োক্তা দিল্লিদা হৌরিবা ঈহৌ, উত্তর প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়া, ত্রিপুরা, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা হৌরিবা অমদি নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট কয়াদা সী এ এ য়ানিংদবগী খোল্লাও লাউরিবশিং অসি খনবীফম থোকই। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোংনা লেপ্পুনা লাউরি। পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর, কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর, মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর, সটিসগরগী চীফ মিনিষ্টর কয়া অসিনা সী এ এগী মায়োক্তা লেপ্লি। মসিগী ৱাহন্থোক মণিপুরগী এম এল এশিংনসু মমুৎ তানা খঙবা তঙাইফদে। আই এল পিনা সী এ এ ঙাকথোকপা অমদি সিক্স সেদ্যুলনা সী এ এ ঙাকথোকপা ঙমগদ্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। এম এল এ ৬০ অমদি এম পি অহুম্না মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লু। আই এল পি চৎনরে হায়বা অসিনদি মঙদা মঙ্গ্রা তানবগুম্বনি।

মনিং তম্না পাল্লম্বা মণিপুর কুমজা ১৯৪৯ দা মর্জর এগ্রিমেন্ট তৌদুনা ইন্দিয়াদা তীনখিবনি। মণিপুরবু পার্ট সী ষ্টেট অমা ওইনা থল্লমখি। চীফ কম্মিস্নার অমনা মণিপুর ঙাকহল্লম্মী। কবো ভেলিসু মাঙহনখি। কনষ্টিট্যুসন শেম্বদা মণিপুরগী মীহুৎ য়াওহনখিদে। অফস্পানা মীওই কয়া হাৎতোকপীখি। মীশি-মীনা কয়া থোকখি। চাক তাঙবগী খোঙজংদা মীওই অহুম পুন্সি লোমখি। শাংলবা ইকনমিক ব্লোকেদ কয়ানা লমদম অসিগী মীয়াম অৱাবা নংহনখি। মীওই কয়াগী পুন্সি লোমখি। খুন্নাইগী য়ুম্বী ওইগদবা রোবিনহুদ লৈখিদে। হৌজিক সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ওনখ্রে। আই এল পি চুঙ্গোই অমনা মণিপুর মীয়াম্বু নাওশুম ওইনা থেল্লি। কয়াম কুইনা নাওশুম ঈশৈনা থেম্বা য়াগদৌরিবনো। অফস্পাগী চৈনা ফংলবা মতম অসিদা অফস্পা লৌথোকউ হায়না লাউরি। ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম লৈবা নাগালেন্দ, মিজোরাম অমদি অরুনাচল প্রদেশনা সী এ এ য়ানিংদ্রিবা করিগীনো। মসিগী মরম মণিপুরী মীয়াম্না খঙলবনি। এম এল এ ৬০না মরিক চুম্বা ৱাফম থম্বীয়ু। সী এ এ পাস তৌখ্রে হায়দুনা হরাওমথোই কারিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনি। সী এ এ সপোর্ট তৌরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং, লুচিংবশিং নোংমদি মীৎলুগী পিরাং তাখিগনি। মসি লুচিংবশিংনা কাউদবা ফৈ। সী এ এগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা অমদি ঙাংলুবশিং ফৃগনি হায়বসি য়ানিংদে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 4:30 pm to 7:30 pm
MATRIC TOPPERS OF 2019
1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
WINTER VACATION SPECIAL CAMP
CLASS I TO VII Starts on 19 December 2019 CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writters & Former Head Examiners
7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
13/01/20	English
15/01/20	S. Science
18/01/20	Maths
20/01/20	Science
22/01/20	Adl. Sub.
24/01/20	MIL

Last date of Form Submission 31/12/2019
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE
HL-P/5855/4/12-4/01